FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.188253
US Dollar	72.777762
British Pound	103.085111
Australian Dollar	56.504975
Chinese Yuan Renminbi	11.361643
Japanese Yen	0.668367
Malaysian Ringgit	17.569586
Singapore Dollar	54.901194
South Korean Won	0.064859
Saudi Arabian Riyal	19.407403
Thai Baht	2.320654

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking :12/05/2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 .Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encourage online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone and the same maybe send in whatsApp no 9612718751.also available 19kg and 5kg . Please don't used other numbers except the notified one to avoid the multiplicity of enquiry number.

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 24/03/2021
Valid from : 22/03/2021
Only home delivery within 3 days
Office no. 9774068549
Home delivery contact no. 7005013837
Whatsapp no.8794973019
Time : 7.30am to 11.00am

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 27/03/2021
VALID FROM : 21/03/2021
19kg AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 31/03/2021
Valid from : 26/03/2021
Stk.-306
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686.

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto : 20/03/2021
Valid from : 13/03/2021
Stk : 306
Timing : 6.00am to 9.00am.
Home Delivery (Contact No. 8119073029/8974426830)

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 11/04/2021
Valid from : 25/03/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top-7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041

RBD INDANE SERVICE
Booking upto:-27/04/2021
Valid from :- 28/03/2021
Stock :- 486
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-11AM and 2pm -4pm (Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

কোভিদ চৈথেং ফংলবশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা চাদোং ৱেষ্ট খুলদা সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. অলিসন অবোনমাই অমদি চীং তম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরনা চেং বেগ ১০ অমদি থুম বেগ অমা মতেং পাংখ্রে।

মতেং পাংবা অদুগা মরি লৈননা সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. অলিসননা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ৱারবা মীয়ামবু খরদং ওইরবসু শাফহন্নবগী পান্দমদা খোংথাং অসি লৌখৎলকপনি। লাইচৎ অসি লাম্হেংননবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইবগী থৌদাং লৌমিন্নসি। মতম-মতমগী ওইনা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পীবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎসি হায়খি।

অমরোমদা শিংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা ওইনাম রোমেনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাইখোম লৈকায় মমাংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা এঙ্গাং-নাপী য়েন্থোকখ্রে হায়রি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা ওইনাম রোমেননা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ পেন্দেমিক অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবা অমদি কর্ফিয়ু থমখিবনা মরম ওইদুনা মীয়াম য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি খরদং ওইরবসু কোকপা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোলদা পোৎচৈ অসি য়েন্থোকপনি। তেংবাং পীবগী থবক অসি মখা তানা চৎথখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা লম্লাই কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা পুংদোংবম মখা লৈকায়দা নৌনা মীওই ১২ অমদি হুইদ্রোমদা মীওই ১ কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা পুন্না ইমুং ২৭তা ঙসি বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর অমদি কোভিদ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা খোংবান্তাবম ইবোমচানা তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাঙগী পোৎলমশিং অদুদি হৱায়, অচাথাউ, আলু, তিলহৌ, চিনি অমদি সেনিটাইজরনচিংবনি। থৌরম অদুদা পুংদোংবম জি পিগী হান্নগী প্রধান ইরুংবম প্রেম, টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর ই অমিটকুমার, বি জে পি লম্লাই মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি এল শ্যামসু শরুক য়াখি। তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক কোভিদ-১৯ অসি লম্লাই কেন্দ্রগী ওইনা মীওই ১৩৪ পোজিটিভ ওইখ্রে অমদি ইমুং ৩৩১ কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে অদুগা মীওই ৩ লৈখিদ্রে। লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব, দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি মৈরা পায়বি লুপশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মীয়াম্না লৈকায়গী লুপশিংনা হোৎনরিবা অসিদা শৌগৎপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা চৎতুনা লাইচৎ অসি মায়থিবা পীমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা থোংজু এ সীগী মনুংচন্না লৈবা নিংঙোমথোং পেবিয়া পন্দিট লৈকায় ৫/২২ নোংমৈকাপম কোলোনিদা লৈবা মীওই অমা শোর হোনবা নুংঙাইতবগী পাউ লাকপদগী কোভিদ-১৯ কনফর্ম ওইদ্রিবা সসপেক্ট তৌরবা ইমুং অমদা এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদদেট ওইগদৌরিবা শঙলাকপম প্রেশিয়োজিৎকী মীৎয়েং মখাদা মতেং পাংখ্রে। এ সী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কোভিদ লায়না লাইচৎকী থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা মতেং পাংবগী থবক মমাংদগী চৎথরকপুগুম্না মখা তানা তেংবাঙ পীবগী থবক চৎথখিগনি হায়রি।

অমরোমদা ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের কম্মিটি (এস দব্লিয়ু এফ সী)না ফৈজালৈতোংগী অকোয়বদা লৈবা ইমুং ৩৫০দা হান্নদগী হৌনা পোৎচৈ য়েন্থোকপা থৌরমগী মখা তারকপা শরুক অমা ওইনা ঙসিসু আইটেম ১০ য়াওবা পোৎচৈ য়েন্থোকখি হায়রি। ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদু লৈকায় অসিগী মীওই ৫৭না পাংলকখিবা শেনফমশিং অদুনা শিন্দুনা মীয়ামদা ফংহনখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপরেদ মেম্বর অচোইবম দেবেনগী মীৎয়েং মখাদা লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী থৌমীশিং, লম্লাই ব্লোক মহিলা য়ুথ কোঙ্গ্রেস কম্মিটি, লম্লাই ম্যুনিসিপালগী কাউন্সিলরশিং, হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট পোলিটিকেল ফোরমনা পুন্না শিন্দুনা লম্লাই কেন্দ্রদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা চৈথেং পীরবা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা অমদি কোভিদ সেন্টর হাংদুনা লৈবা লমশিংদা চৎতুনা শওন্মুং থোংখোং, সেক্তা, তখেল, নুঙ্গৌই, পুংদোংবম মখা লৈকায় অমদি কাঙুজিংনচিংবা মফমশিংদা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা থাউ, আলু, হৱায়, তিলহৌ, য়েরুম অমদি এন ৯৫ ফেস মাস্কনচিংবা পোৎলমশিং লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্তুনা য়েন্থোকখি। তেংবাঙ পীবিরকপা অসিদা খুলশিংগী মীওইশিংনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি হায়রি।

নাকল অমরোমদা উরিপোক এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনা থোক্কদৌরিবা খুবোংময়ুম শুরেসকী মীৎয়েং মখাদা অওনবা উরিপোক কেন্দ্রগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা কেন্দ্র অসিগী মীয়ামদা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ওক্সিজেনগী ফেসিলিটি য়াওবা ফ্রি এম্বুলেন্স সর্ভিস অমসু হৌদোকখ্রে হায়রি। ফ্রি এম্বুলেন্স সর্ভিস অসিগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক হেল্প লাইন নম্বর ৯৩৬২৫৮৪৫৯৮ অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকপা য়াগনি হায়রি।

মনা-মশিং, এঙ্গাং-নাপী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস):

সেনা য়ুথস ট্রুষ্ট (এস ৱাই টি) অমসুং সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়না লৈকায় অসিদা লৈবা নোংমগী চারা তান্দুনা চাজবা ইমুং ৪০, কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা য়ূমথোং ১০ অমসুং ইমেজ টি ভি ককচিংগী পাউমী অমনা কোভিদ-১৯ নাদুনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা অদুদা মনা-মশিং, এঙ্গাং-নাপী অমদি থুমনচিংবগী তেংবাং পীখ্রে।

এস ৱাই টি অমসুং এস এ ওগী থৌমীশিংনা কোয়না চত্তুনা তেংবাং য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা এস ৱাই টিগী সেক্রেটরি জেনরেল গ্যানন্দ নাওরেমনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ থিংনবা লৈঙাক্লা থবক থৌরম কয়া অমা লৌখৎলি। লৈঙাক্লা লমদম অসিদা কর্ফিয়ু থমজিনখিবনা মরম ওইরগা নোংমগী শুরগা চারম্বা ইমুং কয়া অচৌবা চৈথেং নংলি। লৈঙাক্লা চাননবা চেঙ অহোংবা মমল অমসুং লেম্না চেঙ পীজরবসু চাননবা এঙ্গাং-নাপী, থুম-থাও নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া অমা লৈবা মথৌ তারক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসি লৈননবা হোৎনবদা ইমুং কয়াদি শেন্দোই কাবীদা শেল পুবা ফাওবা য়াওনরে। অসিগুম্বা কয়া অসি উরুরগা মপুং ওইনা এস ৱাই টিনা ট্রুষ্ট অসিগী মেম্বরশিংনা অঙম অঙম্বা শেল পুথোক্লদুনা অমদি এস ৱাই টি অমসুং এস এ ওবু নুংশিবীবা মীওই কয়ানসু শেলগী মতেং পাংবীরক্তুনা ঙসি কোবি, মাইরেন, খোংদ্রুম, হৱাই মঙ্গল, হৱাই কাংতক অমদি থুম হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকচবনি।

কোভিদ-১৯ মালেমদগী মুখৎপদা লৈঙাকখক্লা ফন্না কন্না হোৎনদুনসু খক ঙল্লোই। ঐখোয় খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ। ঐখোয় ঐখোয়না চেকশিনবা ৱাৎহৌবা নৎত্রগা থৌশাহৌদবা মীকূপ অমনা লাইচৎ অসি পাক-শন্না শন্দোরক্লবগী মচাক অমা ওইরি হায়বা অসি নীংশিংবীদুনা মখা তারকপদদি ঐখোয় খুদিংমক থৌশাদবা থাদোক্তুনা চেকশিন্না লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা লাইচৎ অসি মুখৎনবা হোৎনবদা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মসলসানা ওনলাইন ইন্টরেক্টিব প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ১দগী ৩ ফাওবা জিটসি মিট প্লেটফোর্মগী খুত্থাংদা ফ্রন্ট ওফিস ফঙ্কসনরি (রিটেনর লোয়র, পি এল ভী) শিংগী ওনলাইন ইন্টরেক্টিব প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিতিগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা লিগেল এইদ হেল্পলাইনশিংগী এক্টিভ ফঙ্কসনিংগী মতাংদা ফ্রন্ট ওফিস ফঙ্কসনরিশিংগা ৱারী ৱাতাই শাদুনা খন্ন-নৈনখি। খন্নখিবশিং অদুগী মনুংদা অথুবা মতমদা প্রি-এরেষ্ট জষ্টিস ফংহন্নবা হোৎনবা, এরেষ্ট অমসুং রিমান্দগী ষ্টেজ, নুপী অমসুং অঙাংশিংদা চপ-চাবা লিগেল এইদ অমসুং এসিষ্টেন্টশিং পীবা অমসুং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা ফ্রন্ট ওফিসকী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবগী সজেসন অমসুং পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা মায়োক্লহল্লিবশিংগী মতাংদসু খন্নখি। প্রোগ্রাম অসিদা রিটেনর লোয়র অমসুং পেরা লিগেল ভলন্তিয়র ২৩না শরূক য়াখি। মখোয়শিং অদু মসলসা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, সেনাপতি, থৌবাল, উখ্রুল অমসুং বিষ্ণুপুরনচিংবগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিতি (দি এল এস এ)নচিংবগী ঙাক্তনি হায়রি।

কনাগুম্বশিংনা ফ্রী লিগেল এইদকী তঙাইফদবা লৈরক্লবদি মসলসা অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিংগী হেল্পলাইন নম্বরশিংদা কন্তেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা শেল অমসুং ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং দোনেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা শেল অমসুং ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং লেপ্তুনা দোনেট তৌনরক্লি।

ঙসি ফাওবদা রিলিফ ফন্দ অসিদা দোনেট তৌনরকখিবশিংদি মুনসুন বেন্দ এন্দ ওর্গনাইজেসন-লুপা ১০,০০০, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সকী এম দি ডা. টিঐচ দবলি- লুপা ৫,০০,০০০, শঞ্জেনবম রিতা-লুপা ৫,০০,০০০, ফাইন্দিং দ ভোইসেসকী মোনিকা ইঙুদম-লুপা ১,০০,০০১, এম এস পি দি সী এলগী এম দি এন জি সুভাসচন্দ্র- লুপা ৫১,০০০, গ্লোবল শেপ্পর্স কম্যুনিতিগী ক্যুরেটর ইলিজাবেথ ওক্রম-বি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১০, ক্যের ফোর মণিপুরগী লোকল কো-ওর্দিনেটর সলাম সচিদানন্দ- দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ২০, মণিপুর গোর্খা য়ুথ এসোসিয়সন, মণিপুরী গোর্খা য়ুনিয়ন অমসুং মৈতৈ লীপুন-লুপা ১,০০,০০০, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি-লুপা ১৪,০০,০০০, হোলশেল ফুদগ্রেন দিল্লর্স- লুপা ৫,০০,০০০, ডা. ধনরাজ চোংথাম অমসুং ডা. রত্না উশম-লুপা ১,০০,০০০, এম সী এস এসোসিয়সন-দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫০, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন-১,০০,০০১, এন এ বিগী ও সী কোন্থৌজম বোবি-লুপা ৮১,৩২৫, ঐচ ওথেলো-লুপা ১০,০০০, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগীরেজিষ্ট্রার জেনরেল-লুপা ৬,৬১,০০০, মমতা ইলেক্ট্রিকেল্স-লুপা ২১,০০০, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই- দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪০, বিষ্ণুপুরগী এদিসনেল এস পি (ওপস) ও ৱাংখোম্বা- লুপা ১,০০,০০০, স্পেসল কম্মান্দোগী এল ভেভেকানন্দা- লুপা ৭৫,০০০নি হায়রি।

মীওইশিং অসিনা শেল অমসুং ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং দোনেট তৌরকখিবদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী তৌবিমল খঙবা উৎখি।

ইম্ফাল তুরেলদা...

*লামায় ১গী মখা...*অহল অমা য়াওনা ময়াম চঙদুনা থিখি।

নুংথিলগী পুং ৪ খরা হেল্লকপদা ঈশিংদা লূপখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা নুপা অদু কৈরাওদগী লাকপা ঈশিংদা ঈরুপ্পা হৈবা অহল অদুনা ঈশিং মনুংদগী পুখৎলকখি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা ৱাংময়ূম হরিস (২৫) অপোকপা ৱাংময়ূম অবাস আলি কৌই। মহাক ওইনাম শওন্মুং দাম মখাদা লৈবনি। চহী খরগী মমাঙদসু হায়রিবা ওইনাম শওন্মুংগী দাম মনাক্কী ঈরৈদা মীওই অমসু ঙা ফানবা কুম্বদা লৈখিদে হায়রি।

ৱাংজিং খুন্নৌদা কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... মীওইশিং টেষ্ট তৌনবগীদমক থৌরাং লৌখৎখ্রবসু মসিগীদমক থোক্লরকপা খুঞ্জাশিংগী মশিং য়াম্না হন্থখি। অহানবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩দা খুল অসিগী মীওই ৭০ টেষ্ট তৌখি। অদুবু হায়রিবা মশিং অসিগী মনুংদা অতোপ্পা খুলদগী মফম অসিদা লৈরবা মীওই ৩ য়াওনা ৱাংজিং খুন্নৌগী মীওই ৪০ পূন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। নুমিৎ অদুমক্তদা ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ৱাংজিং খুন্নৌগী খুল অপূনবা কন্তেনমেন্ট জেননি হায়না লাউথোকখি। মথংগী নুমিৎ ওইখিবা ঙরাংনা খুল অসিগী মীওই ৪৫খক টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৭ অমসুং অতোপ্পা খুলদগী মফম অদুদা লৈবা পুলিস আউটপোষ্টতা পোষ্টিং লৈবা ভী দি এফ পর্সনেল অমা য়াওনা পূন্না মীওই ১৮ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখি।

হৌজিকফাওবগী ওইবা রিপোর্টকী মতুংইন্না পীকখ্রবা ৱাংজিং খুন্নৌ (ৱাংঙু লমখাই)গী খুল অসিগী মীওই ৭৯/৮০ রোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। মসিগী মথক্তা টেষ্ট তৌদ্রিবা পোজিটিভ ওইরবা মীওই কয়া অমসু খুল অসিদা লৈরমখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। খুল অসিগী য়ূমথোং ২০০ রোম লৈবগী মনুংদা ইমুং ৩৫গী মথক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদগী সুগনু এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিগী ওইনা জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয়, সন্দুম্বা অচৌবা অমসুং উমাথেলদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্তর (সী ঐচ আই সী)দা লৈরবদি মীওই ৩/৪ খক্তনি। অতোপ্পা পোজিটিভ ওইরবা মীওই অয়াম্বনা মশা মশাগী য়ূমদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরক্লিবনি।

মতাং অসিদা অমুক্কসু লাক্লিবা ৱাহংদি খুল অসিগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু করিগীদমক কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্তরশিং অসিদা লৈতদুনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবনো হায়বসিনি। ৱাহং অসিগী পাউখুমদদি য়ূম অমদা লৈমিন্নরিবা মীওই খুদিংমক পোজিটিভ ওইরকপা অমসুং সী ঐচ আই সী হাংদোক্লিবা জে এন ভী তান্না চাক ঈশিং থিন্দোক থিঞ্জিন তৌবিনবা মী লৈতবদগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই অয়াম্বা মশা মশাগী য়ূমদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈনরকপনি হায়রি। অদুম ওইনমক, করিগুম্বা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্তরশিংদা নুংতিগী ওইনা চাক অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং নীংথিজনা পীবিরবদি হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈনবগী মহুত্তা লৈঙাক্লা হাংদোক্লিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্তরশিং অসিদা শোয়দনা লৈগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

পাউচে অসিনা খোমজিনখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না খুল অসিদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খুদিংমক্কী মীওইশিংগী মরক্তগী অমা নৎত্রগা অনী পোজিটিভ ওইরক্লবা মতমদা লৈঙাক্লা পীরিবা হোম আইসোলেসন তৌবগী ঙাক্কদবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকপা ঙম্বগী ফিভমদা লৈবা ইমুং মশিং য়ামদে। হায়বদি, ইরুজফম, খোঙ হাম্ফম তোঙান্না লৈতবা, ঈশিং শোকফম পুখ্রি অমদি হেন্দ পম্পনচিংবসু অমত্তদা পূনবা অমদি য়ুম অমদা লৈবা মীগা অতোপ্পা ইমুং অমগী মীওইশিংগগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন তৌনবনা খুল অসিদা লায়না অসি হেন্না শন্দোরকপগী মরমশিং ওইগনি হায়রি।

কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখিবনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্তোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী খুল অসিবু চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক্তি চৎখরি। বর্মা সুগনু রোদনা খুল অসিগী ময়ায় চবুক্তা ফাওদুনা চৎপনা হায়রিবা লম্বী অসি পুমথিং থিংজিনবদা খুদোংচাদবা লৈবা, পুলিসকী মায়কৈদগীসু খুল অসিগী ইমুং অমগা অমগগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন তৌবদা চঙশিন্দুনা হেক্তমক থিংলুবদা খুদোংচাদবসু লৈবনা অমুক্কা হেন্না লায়না অসি খুল অসিগী মীওই অমদগী অমদা শন্দোরক্লবগী মরমশিং ওইরি।

অদুম ওইনমক, হৌজিক খুল অসিনা মায়োক্লরিবা ফিভম অসিদগী খরদং ওইরবসু শাফনবগীদমক লৌখৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা হোম আইসোলেসনগী মতাংদা পীরিবা এস ও পিশিং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনবা, করিগুম্বা থবক অসি পায়খৎপদা মায় পাক্লোইদবা ওইরগনা খুল অসিগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্তরশিংদা শোয়দনা লৈহনবা, লৈঙাক অমসুং লম্নাই মীওইশিং নৎত্রগা মীয়ামগী ওইবা লূপশিংনা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্তরদা লৈরবা মীওইশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবিবা, পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং লৈরিবা ইমুং মশেলগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন তৌবদা অথিংবা থম্বীবা অমসুং পোজিটিব ওইরবা মীওইশিংদা পল্স ওক্সিমিতর য়াওনা মথৌ তাবা হীদাক-লাংথকশিং পন্থদনা পীবিদুনা চাং নাইনা পীজবনচিংবা থবকশিং অসি খুদক্তগী পায়খৎলক্লগদি খুল অসিগী খুঞ্জাশিংবু তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিদগী শোয়দনা কলহৌবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

লুচিংবা ৩গী মফমদা কোরকোমনা...

*লামায় ১গী মখা...*অমত্তা ওইবগী অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনবিরমখি হায়রি। অথৌবা লুচিংবা অহুম্না লৈখিদবদা লমদমসিগী লীশাং শীৎনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম লাঞ্জঙ অসিদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি অমদি কোরকোমগী থবক থৌরমশিংদসু অৱাৎপা অমা ওইহৌরগনি হায়রি। অথৌবা লুচিংবা অহুম্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাংশিংনা নংহৌরিবা কাইনবগী অৱা-চৈথেং অসিদা কোরকোমনা থম্মোয় শোক্লা শরূক য়াজরি হায়বগা লোয়ননা 'অথৌবা লুচিংবা' অহুমগী থৱায় মিরেলনা পোক্লফম ইমাগী তম্পাক্তা ঈংনা য়াতাবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

এক্টিং চ্যেরমেন শাথি লাইবক...

লামায় ১গী মখা... নবেম্বরদগী এক্টিং চ্যেরমেনগী ফম পুদুনা পার্টিগী হেন্না চাউবা মরুওইবা থৌদাং লৌরকখি হায়রি। কুমজা ২০১৮ জুনদগী লুচিংবা অসিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা কোরকোমগী ট্রেজররগী থৌদাংসু লৌরকখি হায়রি। লৈখিদ্রবা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মাইকেল লুৱাং কুমশিং ১৯৯৪ জুলাই থাদগী পার্টিদা য়াওরকখি। কুমজা ২০০৪দগী ২০০১ ফাওবা ফাইনান্স কো-ওর্দিনেটর-১গী থৌদাং লৌরকখি। অদুগা কুমজা ২০০১গী জুন থাদগী পুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বগা লোয়ননা কোরকোমগী সব-কম্মিতি অমা ওইরিবা হোম কম্মিতিগী অরেপ্পা মীহুৎ ওইরমখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা জি এস ও-১ আর কে রোজর কুমজা ১৯৯৬কী জুলাইদগী পার্টিদা য়াওরকখি। কুমজা ২০০৪গী ওক্টোবরদগী কুমজা ২০১১গী মার্চ ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফাইনান্স কমানদর ওইদুনা ফাইনান্সকা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা থৌদাং লৌরমখি। অদুগা কুমজা ২০১৪গী নবেম্বরদগী পুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা জি এস ও-১গী থৌদাং লৌরমখি হায়রি।

লোয়ননা অথৌবা অহুম অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি লূপকী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরে হায়বগা লোয়ননা পার্টিগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়রি। লোয়ননা মেগী চৈচৎ ২৪ (মে ২৪, ২০২১) নিংথৌকাবা নুমিৎ অসিদগী পার্টিগী এক্টিং চ্যেরমেন লৈখিদবা অসিনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল কম্মিতি দিজোল্ব তৌরে, লোয়ননা মীকোক মঙানা শাবা ইন্টরিম কাউন্সিল অমা শেল্লে, অমসুং মসিগী চ্যেরমেন ওইনা ফাইনান্স সেক্রেটরি অহৈবা অঙোম্বু য়েংনবা য়াওদনা খল্লে। ইন্টরিম কাউন্সিল অসিনা নেসনেল পার্টি কোঙ্গ্রেস (এন পি সী) ফমদুনা অনৌবা সেন্ট্রেল কম্মিতি অমা শেমদ্রিফাওবা পার্টিগী থৌদাং পুরগনি হায়রি।

খ্বাইদগী মশিং য়াম্না পোজিটিভ কেস ৮২৪ থেংনখ্রে...

লামায় ১গী মখা... দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৩৯ অমসুং প্রাইভেট টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ৩০৭ থেংনবনি হায়রি। পোজিটিব ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৬৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৬১, থৌবাল ৩৬, বিষ্ণুপুর ৪৩, ককচিং ৯২, উখ্রুল ১৬, চুরাচান্দপুর ৬৭, চান্দেল ৩, সেনাপটি ১৫, তমেংলোং ৭, তেংনৌপল ৪, কামজোং ৩, নোনে ১ অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতগী ৮নি হায়রি।

ঙসিগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপুনবা মীশিংনা ১৫নি হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৯, ককচিং ১ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। মীওইশিং অসি ববিনাদা অহুম, বিষ্ণুপর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, শিজ হোস্পিটাল ৬, রিমস ৩ অমসুং জেনিমসতা ২ লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৫ অসি থারগা হৌজিকফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরক্লিবা ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৭২০ শুখ্রে।

অদুম ওইনমক, ঙসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশিংনা ৪৬৮ নি। মখোয়শিং অদুদি হোম আইসোলেসনদগী ৩৬৭, রিমসতগী ২, লানভা ৯, বি বি ৬, এন এস য়ু ৪, শিজ হোস্পিটাল ১৪, ববিনা স্পেসলিটি ২, লম্বোইখোংনাংখোংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর ২২, রাজ মেদিসিটি ১, থৌবাল ৪, বিষ্ণুপুর ৪, ককচিং ২, উখ্রুল ৩, চুরাচান্দপুর ২৭ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরকখিবা অসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী কোভিদ-১৯গী অপূনবা পোজিটিভ কেস মশিং ৪৫,৪৫১ শুরে। মসিগী মনুংদা মীওই ৪১,৭২৪না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি অদুগা মীওই ৩,৭২৭না সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনি হায়রি। হায়রিবা রিপোর্ট অসিগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশিংনা ৩৭,৯৪৬ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৪,৩১৪নি অদুগা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৩,৬৩২নি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশিংনা ৬,৭৮৫ শুরে হায়রি। অপূনবা এক্টিভ কেস মশিং অসিগী মনুংদা ৬,৬৯৫না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনি, অদুগা লেমহৌরিবশিংনা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মীওইশিংনি হায়রি। ঙরাংদগী ঙসিনা পোজিটিভ কেস মশিং হেনগৎনা থেংনখিবা অসিদগী লায়না অসিদগী ফগৎলকপা মীওইশিংগী মশিংনা চাদা ৮৩.৪৮তা হন্থরকখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি ফাওবগী ওইনা হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশিংনা ৩,৪৫,৬১৮ শুরে হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী লৈরিবা হেল্থ ইনষ্টিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,১৮৪ অমসুং বি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৬০০ ফংহনখি হায়রি। মসিগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং অমসুং লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিংদা দি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৭৩ অমসুং বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫৮গী খুদোংচাবা ফংহনখি। হায়রিবা অপূনবা দি অমসুং বি-টাইপকী সিলিন্দরশিং অসিগী মনুংদা বিষ্ণুপর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩০, চান্দেলদা দি-টাইপকী ১৮, বি-টাইপকী ৪, চুরাচান্দপুরদা দি-টাইপকী ১৭, বি-টাইপকী ২, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ১৯, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ২৬, বি-টাইপকী ১৩, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ১৪, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ৫, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ২০, বি-টাইপকী ১১, মোরেদা দি-টাইপকী ৫, বি-টাইপকী ৬, মাওদা দি-টাইপকী ৪, বি-টাইপকী ৬, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ৩, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ১, বি টাইপকী ৮, ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপকী ৪, বি-টাইপকী ৫ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২নি হায়রি। লোয়ননা মীওই পুম্নমক্না ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা খুৎ-শা হামদোকপিদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপিয়ু হায়রি।

সেসন্স জজ : পেন্দমিককী য়াওনা ওফেন্সিব...

*লামায় ১গী মখা...*নন-বেলেবল সেক্সনশিংগী মখাদা ফাজিনবগী থবকশিং চথুরকপনা মহাকপুসু পুলিসনা ফাজিনখিবা য়াই। মরম অদুনা মরালসু লৈতনা মহাকপু ফাজিনবগী অৱাবশিং ফংহনবিগনু হায়বগা লোয়ননা করিগুম্বা মহাক্লা পোষ্ট তৌখিবা ৱাফম অদুনা মীওই অমদা শোকহনবা ওইরগদি মদু সিভিল লাইয়েবিলিটি প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না হকথেংনবগী পাম্বে ওইবা য়াই হায়না কোর্টতা ফোঙদোরকখি।

কোর্টনা এপ্লিকান্ট অসিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদুবু কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদুগী মতুংইন্না ক্রিমিনেল মিসেলিনস (এন্টিসিপেটরি বেল) কেস অমা টেম্পররি নম্বর অমা পীদুনা রেজিষ্টর তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর-ইন-চার্জগী মায়কৈদগী রিপোর্ট অমা কোর্টতা সবমিট তৌরক্লবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা এপ্লিকান্ট অসিদা ইন্টরিম প্রি-এরেষ্ট বেল পীরদুনা কোর্টনা পুলিসকী মায়কৈদগী পীখৎলক্কদবা রিপোর্ট অদু ফংলবা মতুংদা মহাক্কী এপ্লিকেসন অসিগী হিয়রিং চথদ্রিবা ফাওবগী মনুংদা মহাক্কী মায়কৈদগী কোরোনা পেন্দমিক অসিগী য়াওনা অতৈ হীরমশিংগা মরী লৈনবা 'ওফেন্সিব কম্মেন্টশিং' পোষ্ট তৌবা য়ারোই হায়বগী দিরেক্সন পীখি। অদুগা করিগুম্বা মহাকপু শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর কেস অমগা মরী লৈননা ফাবা তারবদি লুপা ৩০,০০০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা স্যুরিতি অমগদা মহাকপু থাদোক্কদবনি। লোয়ননা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসনদা মহাক্লা কো-ওপরেসন পীগদবনি। ইনভেষ্টিগেটিং ওথোরিটিগী অপাম্বগী মতুংইন্না মহাক মশা ফংহনগদবনি। মহাক্লা কেস অদুগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিংদা ইনফ্ল্যুএন্স তৌরোইদবনি অমসুং কোর্টতগী মাঙজৌনবা পার্মিসন য়াওদ্রবদি মণিপুরগী মপান্দা চৎপা য়ারোই হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা পীখিবা ওর্দর অসিনা পিটিস্নর অসিদা দিরেক্সনশিং অসি পীখিবগা লোয়ননা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ও সীগী মায়কৈদগী মথং থাগী ২ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলকপগা লোয়ননা কেস অসিগী হিয়রিং পাঙথোক্কনি হায়খি।

কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্টতা য়াওরক্তবসু...

লামায় ১গী মখা... জেনিমসতা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. কে ঐচ লোকেশ্বরনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা পীরকখিবা চেরোল (নম্বর ১২০৯/০১ (কোভিদ-১৯)/২০-জেনিমস)গী মতুংইন্না লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়বগা লোয়ননা মহাক ঙসি নোংঙাল্লমদাইগী অয়ুক অঙনবা পুং ৩.৫৭ তারকপদা জেনিমস হোস্পিটালগী কোভিদ ৱার্দতা এদমিত তৌখিবনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবী নুপীমচা অসি অতোপ্পা লায়নাশিং লৈখিদে হায়বগা লোয়ননা মহাক কোভিদ ৱার্দ এদমিট তৌবগা ইকান কান্নদনা অয়ুক পুং ৫ তারকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টকী চেরোল অদুদা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অসিগী হকচাং দিস্পোজ তৌনবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপিয়ু হায়জরকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অসিগী মরী-মতাগী কন্তেক্ট নম্বরসু দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা পীখি হায়রি। অদুগা চেরোল অসিগী কোপিশিংনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের), দিরেক্টর (হেল্থ সর্ভিসেস), দিরেক্টর (জেনিমস), এস এস ও (আই দি এস পি), মণিপুর, সী এম ও (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) অমসুং ও সী (জেনিমস পুলিস পিকেট) তসু পীখি হায়রি।

অদুম ওইনমক, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকখিবা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ঙসিগী ওইনা মীওই ১৫ লৈখিদ্রে হায়দুনা তৌরকখিবা রিপোর্টতদি নুপীমচা অসি য়াওরকখিদে।

PART TIME / FULL TIME JOB

We provide self-sustainability for an individual by allowing him to design own source of income and live independently being an Associate in a company dealing with various financial products on commission basis.

***Unlimited earning potential *Enjoy the freedom to work from home or office *Online training**
***Qualification - X/XII/Graduate * 18yrs old and above**
***No Deposit / No Registration fee**
***Pan card and bank account mandatory.**

For further information pls contact-
***8414053248 / 9402611994 (9:30 am - 4:30 pm)**
HL-P/9775/25,26&27
Sd/- Manager, RFS